## মালেমগী নুপীশিংগী নুমীৎ

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচএন এস) :

লিগ ওফ ৱিমেন, মণিপুরনসু হয়েং মালেমগী মফম পুন্নমক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা থৌরম অসি হয়েংদগী হৌরদুনা থা অসিগী ১২ ফাওবা নুমীৎ মঙানি চুপ্না পাঙথোক্কনি হায়রি।

হয়েং অহৌবা নুমীৎতা নুপীলাল কমপ্লেক্সতগীনা ইমা কৈথেল ফাওবগী মরক্তা রেল্লি অমা চৎকনি। থৌরমগী মনুং চন্না ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ ৱিমেন, ওল্ড এজ হোমশিং অমসুং ঐচ আই ভিগা লোয়ননা হিংলিবা নুপী কম্যুনিটিশিংদা অঙন্বা খুদোলপোৎশিং পীগনি হায়রি। হয়েং হৌদোকপগী অহানবা নুমীৎতা সাইকল রেল্লি অমসু নুপীলাল কমপ্লেক্সতগী হৌরগা জদোংনাং পার্ক ফাওদুনা ইমা কৈথেল তম্না চৎকনি হায়রি। অরোইবা নুমীৎতনা ত্রাইবেল মার্কেট, লিলোং কৈথেল, ইমা কৈথেল অমসুং ৱিমেন রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা অঙন্বা পোৎলমশিং খুদোল তমদুনা য়েন্থোক্কনি হায়রি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 83.490246 |
| US Dollar | 77.064264 |
| British Pound | 101.348303 |
| Australian Dollar | 57.031177 |
| Chinese Yuan Renminbi | 12.192091 |
| Japanese Yen | 0.669786 |
| Malaysian Ringgit | 18.447159 |
| Singapore Dollar | 56.518475 |
| South Korean Won | 0.062582 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.550471 |
| Thai Baht | 2.335241 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 5280.00 |
| Chennai | – | Rs | 5422.00 |
| Delhi | – | Rs | 5280.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5280.00 |

## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only) Ujjwala connectionavailable 22-02-2022 Update Gas Card With Fresh photo . New Contact Office No. 6009392991,93626541 14,03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation. In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.**
BOOKING UPTO DATE. VALID FROM. FOR HOME DELIVERY. M.NOS.9089766365 & M.BOOKING OFFICE - 9089161416. CONT. TIME.8.00AM.TO.11.00 AM.

**KHORIPHABA NAMBOL**
Bk uptodate
Stock:100
Timing 6.30am to 10.30am
Home delivery no:6009249086

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 08/02/2022
BOOKING UPTO: 12/02/2022
BOOKING AND ENQUIRY ONLY:
03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto 30/11/21
Valid from 25/11/21
Stk 306
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 02/02/2022
Valid from 09/01/2022

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
BOOKING UP TO - 28-12-2021
VALID FROM 15-12-2021
STOCK : 1224
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

## ইন্টেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধন্যুস-৪.০ লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচএনএস) :

ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফ্যের সর্ভিসেসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. এন শ্যামজাইনা অঙাংশিংগীদমক অহুমশুবা রাউন্দগী অখন্নবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম ২০২২ ওইরিবা ইন্টেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধন্যুস-৪.০ লোঞ্চ তৌখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদু দিরেক্টোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফ্যের সর্ভিসেস অমসুং নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি অনীনা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। মিসন ইন্দ্রধন্যুসকী ৪.০ হৌদোক্লদুনা নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টরনা চহী ২গী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিংগী মমা-মপা ওইবশিংদা মখোয়গী অঙাংশিংবু ইন্টেন্সিফাইদ মিসন অসিগী মখাদা মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌবা য়াবা লায়নাশিংদগী অঙাংশিংবু মতম চানা ঙাকথোকহৌনবগীদমক হিদাক কাপথোকপীনবা আপীল তৌখি।

পনবা য়াবদি, ইন্টেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধন্যুস ৪.০ অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মমাঙ থাদা লোঞ্চ তৌখিবনি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি মীখলগী মতম ওইখিবনা মরম ওইরদুনা খরা থেংথনা ঙসি লোঞ্চ তৌখিবনি। মিসন অসিগী মখাদা মশা লুম্লবী মমাশিংদা টিটানস টোক্সোইদ কাপথোকপগী থবকসু য়াওগনি হায়রি।

ঙসি লোঞ্চ তৌখিবা মিসন অসিগী মখাদা অহানবা রাউন্দগী হিদাক কাপথোকপগী থবক ছুটি নুমীৎ থিদনা চয়োল অমা চুপ্না পাঙথোক্কনি অদুগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা রাউন্দগী হিদাক কাপথোকপগী থবক্লা মথং থাগী ৪ অমসুং মে ২দগী হৌবগা লোয়ননা তাঙ্কক পুন্নমক্তা চয়োল অমমমা চুপ্না পাঙথোক্কনি হায়রি। হৌখিবা চহী ২ রোম অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরদুনা ষ্টেট অসিগী অঙাংশিংদা ইম্যুনাইজেসন তৌবগী থবক য়াম্না নেমখি হায়বা ৱাফমসু দিরেক্টরনা ফোঙদোকখি।

ঙসি লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট ইম্যুনাইজেসন ওফিসর ডা. টি মনিহারনা অঙাংশিংদা হিদাক কাপথোকহৌবনা হেপটাইটিস-বি, পোলিও, টিটানস, ট্যুবরক্যুলোসিস অমসুং জপানিস এনসেফলাইটিসনচিংবা লায়নাশিংদগী মতম চানা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়খি।

## অনৌবা কেস ৫ খক্তমক থেংনখি, মীওই অমত্তা শিখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচএনএস) :

হৌখিবা নুমীৎ খরনিদগী হৌরদুনা নুংতিগী থেংনবা অনৌবা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং হন্থরকপগা লোয়ননা পোজিটিভিটিগী চাংসু লেপ্তুনা হন্থরকপদগী হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা শুপ্নতগী জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী নুপা ২ অমসুং নুপী ৩ পুন্না মীওই ৫ খক্তমক কোভিদ পোজিটিভ ওইবা থেংনবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই অমত্তা শিখিদ্রে হায়রি।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না অনৌবা কেসশিং অদু তোঙান তোঙানবা টেষ্টিং সেন্টরশিংদা থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবশিংনা ককচিংদগী ২ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং উখ্রুলদগী মীওই অমমমনি হায়রি। অমরোমদা, ঙসি ফাওবগী ওইনা মীওই ১৩৪ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ২২, রিমস অমসুং জেনিমসতগী মীওই অমমম অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ২ য়াওরি হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাংখক্তদা মীওই ২২৭ হিদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পুন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীং ২৭,২৯,৩১৪ শুরে। মখোয়গী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৫,১৬,৮০৯নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১১,৫১,৩০৭নি। অদুগা প্রিকোসনরি দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬১,১৯৮নি হায়রি।

অদুম ওইনমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ লাকশিন্দুনা মীয়াম্বু লায়না অসিদগী কলহৌনবা লেপ্তুনা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা ঙরাং ফাওবদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ-২৫২ অমসুং বি টাইপ-৭৬ নি হায়রি। লোয়ননা জেনিমসতা লৈরিবা অপূনবা কোভিদ পেসেন্টশিংগী ফমুং ৩০০গী মনুংদা ১৭তনা পেসেন্টশিং লৈরগা ঙসি ফাওবগী ওইনা ফমুং ২৮৩ হাঙদুনা লৈখি। রিমসতনা অপূনবা কোভিদ পেসেন্টশিংগী ফমুং ১৯০ লৈবগী মনুংদা ৭২দনা পেসেন্টশিং লৈরগা লায়েংশঙ অসিদা ঙসিগী ওইনা হাঙদুনা লৈখিবা ফমুং মশীংনা ১১৮ নি হায়রি।

## ইশাগী লৈঙাক লৈজবা মণিপুর ওইরবদি জেন্দর...

*লামায় ১গী মখা...*লিবর্টি, ইক্বেলিটি অমসুং ফ্রীদমগী ৱাখল্লোন অসি হান্না লাকখ্রবসু মালেমগী নুপী ওইবীশিংদি হায়রিবা হকশিং অসি ফংবা ঙমখিদে। নুপী ওইবীশিংনা মশাগী লন-থুম লেপচবা (রাইট টু প্রোপর্টি) অমদি এদল্ট সফ্রেজ (রাইট টু ভোট) ফংখিদে। ২০শুবা চহীচাগী অঙনবা শরুক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনচিংবা লৈবাকশিংদা নুপীনা ভোট থাদবগী হক পীখ্রবসু এফ্রো-অমেরিকান নুপীশিংদদি হক অসি ফংহনখিদে। চহী কয়া লিশাং-শিংনা ঈহৌ চত্থরবা মতুংদা কুচ মুবী নুপীশিংবু কুমজা ১৯৬৫দা মীখলগী হক পীবীখি হায়রি।

ৱেসিয়া লমদমগী নুপী ওইবীশিংনসু চৈথেং অসিমক নংলিবনি। ইন্দিয়াগী হিন্দু লাইনিংগা শাগোন্নবা কাষ্টইজম, মাঙবা শেংবা অমদি ৱেসিজমগী চৈথেং ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্না মায়োক্লদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী হিন্দু লাইনিংনা এক্সপান্সনিজম থাজবা, য়েলহৌমী কয়াগী চৎন-কাঙলোনশিংবু নমথদুনা মহুৎ শীঞ্জিনখি। হান্না লৈজরম্বা লোল, ফিজেৎ-চাকচা অমদি নুপী ওইবীশিংনা শেন্মীৎ অমদি লৈঙাক্তা য়াওরম্বদু তপ্না তপ্না নাথৈদুনা অহকপা লাইনিংগী কয়াৎশিংনা নুপীবু খুন্নাইগী মতাইদা ইন্থোকপীবা হৌরক্লি হায়রি।

মণিপুরগুম্বা (কংলৈপাক) মশাগী মনিংতম্বা লৈঙাক লৈজরম্বা অমদি ৱেসিয়াদা হাইনা হুম্না পাল্লম্বা লৈবাক অসিগী পুৱারীদা নুপী ওইবীশিংনা লৈঙাক থৌগাই অমদি শেন্মীৎতা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। লানগী মতমদা লৈবাক্কী কৈথেলবু ঙাক্লৌ পীবা অমদি খুন্নাইবু তংদু লৈতানা থম্বগী থৌদাং লৌদুনা লাকখি। লাইনিং অমদি মপান লৈঙাক্কী লোয়ল মখাদা লৈখ্রবদা নুপীশিংগী পুন্সিদা অমম্বা তাঙ্কক অমা লাকখি। মনিং তম্বা লৈবাকশিংনা অফবা মরী শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদু তপ্না তপ্না কায়থরকখি। নুপী ওইবীশিংদনা হেন্না চৈথেং পীবা মাঙবা-শেংবা, পর্দা সিষ্টম অমদি শতিনচিংবা তমথীরবা চৎনবী অসি ৱেসিয়াদা লৈরমদে। লাইনিং অমদি নাৎকী ওইবা লোয়লমগী মচৎ অসিনা নুপীবু পব্লিক স্ফেয়র হায়বদি মীয়ামদগী লাপথোকহনখি হায়রি।

মালেমগী নুপীগী ওইবা নুমীৎ অসিনা লাকপদা নুপী ওইবীশিংবু মান্নবা খুন্নাই অমগী পুন্সি মহিং অমদা পুখৎপা হায়বসি য়াম্নমক মথৌ তাই। য়ু এননা থল্লিবা পান্দম 'সষ্টেনেবল টুমোরো' অমদি তুং কোইবা মহৌশাগী খল অমা শেমগৎপা হায়বসি হৌজিক হৌজিক্তি ওইথোকখিরোই। মশাগী ওইবা লৈঙাক লিংবা ঙমহন্দ্রবদা চাউখৎপগী লমজেল অমদি কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল অসি কনবদা ৱেসিয়াগী নুপী-নুপা পুন্নমক নুংশুক নুংজাননা শোথনা হিংলি। কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুর (কংলৈপাক)পু ইন্দিয়ানা নল্লৌ লৌশিন্দুনা লৈজরম্বা দেমোক্রেটিক লৈঙাক অদুবু মালেমগী লোগী কাঙলোন পুন্নমক খোঙ্গাওনদুনা লৌশিনখি। ইকুই কুইদনা আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পৱার্স) এক্ট, ১৯৫৮কী মখাদা মার্সিএল লো থমজিন্দুনা হ্যুমেন রাইটস অমদি নুপী ওইবী কয়াগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবীখ্রে হায়রি।

মীচম কয়াদা শাশিন্নবা মীহাৎ চত্থদুনা মতিং থুদেক্লবা অমদি মরাই কাঙবা ঙমহন্দ্রবা খুন্নাই অমা ওইনা ঙসিসু নীংতম্বা ঈখৌ লাংহন্দুনা থল্লি। ইন্দিয়াগী নল্লৌ লাম্নীনা মশীং নাইদনা ফেক এনকাউন্টর কয়া চত্থখ্রে হায়বসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ৱায়েল লোয়শঙ ওইরিবা সুপ্রীম কোর্টনা ফাওবা য়াজখ্রবনি। ইন্দিয়াগী মীওৎ-মীনৈ অসিনা খ্বাইদগী চাউনা শোকহল্লিবসি নুপী খুন্নাইগী শরুক ওইরিবা মমা ওইবীশিং, য়ুম্বুরেন্বীশিং অমসুং ইচল-ইচেশিংনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪না ৱেসিয়া লমদমদা থল্লিবা মার্সিএল লো অসিবু লৌতুনবা মওংদা চত্থহন্দুনা লাক্লি। ৱাফম অসিমক য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মখাদা পাঙথোকপা য়ুনিভর্সেল পেরিওদিক রিভিয়ু ২০১৭কী মতমদা ইন্দিয়াগী এটোর্নি জেনরেলনা অফস্পা অসি ইন্দিয়াগী অকক্লবা মফম খরদা থম্বনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মসিনা তাকপদি ইন্দিয়ানা মতাই লাম্নী হায়না শকখঙবীরবা লমদমশিং অসি তোখায়বা মওংদা মার্সিএল লো অমগী মখাদা থম্বগী অপাম্বা অদুবু ফোঙদোক্লি।

লোয়লমগী খুন্নাইলোন অমদা হিংলিবা ৱেসিয়া লমদমদা নুপীশিংগী হকপু চাউনা নমথবা অমদি ইন্দিয়াগী হংলাইগী মশক ওইরবা রিপ্রজেন্টেটিভ দেমোক্রেসিগী মিংদা লৈরিবা লৈঙাক পথাপ অসিনা নুপী ওইবীশিংবু য়াইফগদবা অওনবা থৌশিল পায়খৎলকপগী ওইথোকপা লৈতে। ফীভম অসিদা 'সষ্টেনেবল টুমোরো' হায়বসি নুপীশিংগী মীৎয়েংদগী ৱেসিয়াগী ওইনদি য়াম্নমক মমি শাল্লি হায়রি।

শেঞ্জাও পায়বা মীওই খুৎপু শুপ্নতগী চাদা ৬মুক্না ইন্দিয়াগী জি দি পিগী চাদা ৬০ কন্ট্রোল তৌবা লমদমদা জেন্দর ইক্বেলিটিগী মঙলান মঙবা হায়বসি কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই। মসিগীসু মথক্তা নুপী অমদি য়েলহৌমীশিংগী মতিক ময়াইবু কম্মোদিটি ওইনা য়েংবা কেপিটেলিজমনা নুপীবু মান্নবা খুন্নাই অমদা লাকহনবগী মহুৎতা হেন্না হেন্না নমথবীরি হায়রি।

মপান লমগী ফিজেৎ-চাকচাশিংনা থুক্কৎহন্দুনা নুপীশিংবু কৈথেলদা ফংলিবা অকে-অমৌগী পোৎলমশিংগী মপান তাঙহন্দুনা হিংহল্লি। শুবা নোম্বা অমদি মরোমদোম লেপ্পগী শেন্মীৎ অদুদগী লাপ্না পুখিদুনা ঙসিদি য়েলহৌমীশিং চাবা থকপা অমদি মশাগী ওইবা ফীভমগা চুন্ননা লৈবা ঙমহন্দ্রে হায়রি।

মরম অদুনা মনিং তম্বা লৈঙাক অমা লৈতনা জেন্দর ইক্বেলিটি লৈহনবা ওইথোক্লোই। মালেমগী মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসি মশাগী লৈঙাক লৈজদ্রবা ফুরুপচাশিংগী ওইনদি লাম্থেং অসিদা শরুক য়াবা ওইথোক্তে। মরমদি ইন্দিয়ানা ইকোনোমিক দ্রেন লেপ্পা লৈতনা চত্থবনা য়েলহৌমীগী শেন্মীৎলোন থুগায়বা নত্তনা মহৌশাগী খলবুসু চাউনা চৈথেং পী হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নীংশিংবা য়াই, জুবিলিয়ন ওইল অমসুং গ্যাস প্রাইভেট লিমিটেদতা মণিপুর (কংলৈপাক) কী জিরিবাম অমসুং তমেংলোংদা ফংলিবা হায়দ্রো কার্বোনগী পোথোকশিংবু মফম অসিদা খুন্দারিবা মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা কুমজা ২০১০গী জুনদা ন্যু দেল্লী লৈঙাক্না য়োন্থোকখ্রে হায়রি। পীনখিবা খুৎয়েক অসিগী মতুংইন্না লম স্কোৱার কিলোমিটর ৩৮৫০ কম্পেনি অসিদা শীন্নরি অমদি ক্যুবিক ফিট বিলিয়ন ৫০০০গী থাউ লৈগনি হায়না পান্নরি। মসিনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনদা চাউনা অকায়বা পীবদা নত্তনা মহৌশাগী খলবুসু চাউনা চৈথেং পীরগনি। ৱেসিয়াগী শেন্মীৎলোনবু কোর্পোরেটাইজেসন তৌদুনা প্রাইভেট ফার্মশিংদা লমদম অসিগী রিছোর্সপু শরাক তমহন্নবগী থোঙ লাউনা হাংদুনা থল্লি। থাউ লৌথোকপা অমদি অচৌবা দাম কয়া শাজিন্দুনা ৱেসিয়াগী হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক্কী পোথোকশিংবু ইন্দিয়ানা য়োন্দুনা লাক্লি হায়রি।

মসিগীসু মথক্তা ইনৌ নৌবা লাল্লোং অমা ওইনা ৱেসিয়াদা পাম ওইল প্লান্টেসনগা মরী লৈনবা অচৌবা থৌশিল পায়খৎলক্লি। মসিনা ৱেসিয়া লমদমগী মহৌশাগী খলদা চাউনা কায়হল্লগনি। পাম ওইল পাম্বী অমনা নোংমদা ঈশিং লিটর ২০০ মথৌ তাবনা মহৌশাগী খলদা চাউনা কায়হল্লগনি। পাম ওইলগী থৌশিল অসিনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হন্দক থল্লিবা সষ্টেনেবল টুমোরো হায়বা পান্দম অসি মঙফাওনবদা অচৌবা খুরৌ ওইরগনি হায়রি। মহৌশাগী খল কায়থরকপা অসিনা নুপী ওইবীশিংদনা হেন্না চৈথেং নংগনি। নুপীশিংনা খুঙ্গং অমদি চীংগী লমদা চত্থরিবা অরিবা লৌউ-পথাপশিং কায়রগনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা থল্লিবা জেন্দর ইক্বেলিটি, বাইয়স লৈতবা, ষ্টেরিও টাইপিং তৌদবা অমদি দিস্ক্রিমিনেসন লৈতবা হায়বা পান্দম অসিদি ৱেসিয়া লমদমগী নুপী ওইবীশিংনা মঙফাওনবদা ৱারগনি হায়রি। মরম অদুনা ইরৈচা পুন্নমক নুপী-নুপা খল মান্ননা চাউখৎমিন্নবা হায়বসি পোলিটিকেল ফ্রীদম হায়বদি মশাগী মনিং তম্বা হঞ্জিন্দনা ওইথোক্লোই হায়বসি নীংশিংমিন্নবা মথৌ তাই হায়রি। নুপীলাল অনীনা লোয় মপু বৃটিশপু নীকহনবা ঙম্বগী মতিক লৈখিবা মণিপুর (কংলৈপাক) কী চীং অমসুং তম অনীগী নুপী ওইবীশিংনা ইশাগী ওইবা লৈঙাক লৈজবা মণিপুর (কংলৈপাক) অমা লৈরবদি জেন্দর ইক্বেলিটিগী পান্দম অসি ফংবা ঙমগনি হায়বসি নীংশিংমিন্নরসি হায়নসু কোরকোমগী চেরাল অসিনা মখা তানা পাউজেল্লক্লি।

## লান নংলবা য়ুক্রেনদগী মণিপুর মচা ৩...

*লামায় ১গী মখা...* লৈবাকসিদা পুরক্লবা অৱাংবা থাক্তা হোৎনরি। মীয়াম্না মীপায়বা তৌবীগনু হায়খি।

অমরোমদা, য়ুক্রেনদগী ঙরাং দেল্লীদা থুংলবা ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা মেদিকেল মহৈরোয় অমনা য়ুক্রেনদগী ইম্ফাল তম্না লাকপগী অচঙবা শেল পুম্বনা সেন্টরনা পুথোকপীখি হায়না থাগৎপা ফোঙদোকখি। রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী লান কনশিল্লকপনা মরম ওইরগা মফম অদুদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। অদুম ওইনমক য়ুক্রেনদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা লমজিং-লমতাকপীদুনা মণিপুরদা তেক্ত-কায়দনা য়ৌরকপনি হায়খি।

সিটি অদুদা মেদিকেল তম্লিবী মহৈরোয় অমনসু য়ুক্রেনগী সিটি অদু মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ন্যুক্লিয়র প্লান্টগী মফম ওইবনা রসিয়ানা লান দারকপদগী নুমীদাংগী মতমদা বঙ্করদা চঙশিন্দুনা লোৎখি। নুমীৎ কয়ানি চাবা থকপা ফংদবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। লৈবাক অদুদা চৎনরিবা মহৈ-মশিন তম্বগী কাঙলোন য়াম্না ফজবনা লান অসি লোইদুনা মখা তানা মহৈ তম্বা য়াররক্লবদি মফম অদুদা অমুক হন্না তম্নিংলি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা য়ুক্রেনদগী ঙসি ইম্ফালদা থুংলবা মহৈরোয় অহুমগী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগীসু সেন্টরনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিবু থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎলকখি।

## ভাইওলেন্স সুম চত্থরবদি অফবা মীহুৎ...

*লামায় ১গী মখা...*অদুবু হৌজিক চত্থরক্লিবা থৌওং অসি মখা তানা চত্থরক্লগদি মীয়ামগী অশেংবা মীহুৎ হায়বদু লৈররোই। য়াম্না অরুবা ফীভম অমদা লাক্লগনি। হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেল ট্রেন অসিদা পার্টি অমত্তনা মেজোরিটি ফংগদবা লৈতে। মখোয়-মখোয়গী ওইনা পংহাইদা হায়জবা হায়বদুনি। পার্টি পুন্নমক্কী অদুম্মক কারক্কনি। অদুনা মাগী মাগী পার্টিগী ওইনা শেম-শানরিবা অসিগুম্না জে দি-য়ুগীসু শেম-শারে। হন্দক্কী লৈঙাক শেম্বদা জে দি-য়ুনা অচৌবা রোল লৌগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়খি।

য়ামদ্রবদা কেন্দিদেট ৬/৭ কারক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরম অসিনা লৈঙাক শেম্বদা শোয়দনা থৌদাং লৌগনি। ফোর্টফোলিও খরদি ফংগনি। জে দি-য়ুগী মায়কৈদগীসু মশা-মশাগী কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎনবগী পান্দম লৈ। জে দি-য়ুগী ওইনা চীংদগী তম্পাক্তনা হেন্না কারক্কনি হায়না পান্নরি। দিভেলপমেন্ট ফোকস তৌদুনা সেক্যুলরিজমদা থাজবা পার্টিনি। ৱাংখৈ এ সী অসি ফুরুপ-কাঙলুপ শুনা খুন্দাবা মফমনি। মরম অসিনা সেক্যুলরিজমদা থাজরিবা জে দি-য়ুগসু য়াম্না চান্নে হায়খি। করিগুম্বা মায় পাল্লক্লবদি ৱাংখৈ এ সীগী মীয়ামগী চপ চাবা রাইটশিং ফংহন্নবা হোৎনগনি। হীরম খূদিংমক্তা শোত্থরবা এ সী অসিগী মনুং চল্লিবা নোর্থ এ ও সী অসি মীয়াম্না দ্রগকী মফম ওইনা উনরিবা অসি লৈহন্দনবা হোৎনবদা পৱার পায়দবদি য়াদে। মরম অদুনা মায় পাল্লবদি ৱাংখৈ এ সীদা দ্রগকী মফম লৈহল্লোই হায়খি।

## মুন্নবা হেনগৎলকপদগী থোরকপনি...

*লামায় ১গী মখা...* মশেলদা য়ানদবা কয়া মীয়াম্না খঙনরে। অনী থোকপী লৈখিবসিনা মরম ওইদুনা কাগদবা কয়াসু কারক্তবা য়াওরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। বি জে পিনা কাবগী চাং হন্থরক্কদবনি। হৌজিক নাগাগী সপোর্টসু ফংলক্লোইদবগী মমি তাবা লৈরে হায়না লৌবা য়াই। মরমদি কুকিগী সূদা লৈরিবশিংদা শেল থাদদুনা সপোর্ট ফংনবা হোৎনবদা বি জে পিদা ফোংনা সপোর্ট তৌগনি হায়রকপা উবা ফংই। অসিগুম্বা ময়ামসিনা মরম ওইরগা জে দি-য়ুগা শম্নরগা লাকপসু য়াই হায়না খল্লি। জে দি-য়ুগী লুচিংবা নিতিস কুমারনা করম্বা রোল লৌরকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি। বি জে পিগী টিকেট ফংহৌদ্রবসু অতোপ্পা পার্টিশিংদা চঙননবা হান্নদগী শেম-শাদুনা লৈবনা বি জে পিদা জে দি-য়ু য়াওরক্কনি থাজে। অদুবু এন সী পিদি মণিপুরদা য়াম্না নৌরিবা পার্টিনি। ওর্গনাইজেসনদা খরা শোনখিবনা পংকা কারক্কনি থাজদে। অদুম ওইনমক নেসনল লিদরশিংগী মতুংইন্না চৎকনি। চোংথোক চোংশিনগী ৱাফম লৈরোই। লাক্কদৌরিবা লৈঙাক অদুগী মতুংইন্না খন্নরগা ফিরেপ লৌরক্কনি। এন সী পিনা মীয়ামগীদমক থবক তৌরক্কনি হায়খি। মীখল অসিদা চীংদা থোক্লিবা থৌদোকশিং য়েংলুরগদি নাগা তাবা মফমদা বি জে পিগী য়াদবগী মওং অমা উরক্লি। বি জে পি লৈঙাক্তা থমখিবা থাজবা অদু মাঙহল্লকপগী মথক্তা টি ঐচ মুইভাসু হোস্পিটালাইজ তৌরকপনা পান্দম ফংলরোইদ্রা খনবা মাল্লি। অদুগা লৈঙাক্কীসু মিস মেনেজমেন্টনি। ফ্রন্টিয়র ওর্গনাইজেসনশিংসু ইস্যু কয়াদা লাউরম্লবসু নীংথম থাদা ঙানা ঈশিং মনুংদা চঙখিবগা মান্নরে হায়খি।

## ঈখেং তাবা ১২শুবা মণিপুরগী...

*লামায় ১গী মখা...* য়াদ্রগনা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা নমজা নমথেক্নরগা ভোট মুল্লে হায়না য়াইস্কুল এ সীদা জে দি-য়ুগী মীরেপ ওইরিবী থৌনাওজম বৃন্দানা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না হায়, হন্দক্কী মীখল অসি চহী ৫গী ওইনা থৱায় অমদি মতম মুনবনি। মণিপুরদা দেমোক্রেসি নীংখায়রে অমসুং লৈত্রে। লৈঙাক্তা করিগুম্বা ৱাহে অমা ফোঙদোক্লবগীসু অমদি ইচম চম্না সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোক্লবগীসু এন এস এদা দিটেন তৌরে। অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্টকী মখাদা বুক তৌদুনা ফাজিল্লে। দেমোক্রেসিগী অশেংবা ৱাহন্থোক্তি মীয়ামগী খোঞ্জেল অদু অকি-তুজুংবা লৈতনা ফোঙদোকহনবা অমসুং মীয়াম্না অপাম্বা লৈঙাক পুরকহনবনি। অদুবু মণিপুরদা তৌরিবসিদি তাইওন্নরে। নম্ফু লৈঙাক্না ভোট মুল্লে। মখা তারকপদনা মীয়ামগী ময়াদা ফিবুল নল্লগা করিমত্তা ঙাংহন্দনা এন এস এ পানশিন্দুনা থম্বা লৈঙাক্লি। থৌওং অসি অকি-তুজুং ফাওহল্লগা নমথবা ষ্টেট টেররিজমগী থবক্লি হায়খি।

পাঙথোক্লিবা মীখল অসি ঈখেং তাহল্লগা মণিপুর পায়নবা অমসুং মণিপুরগী মপু ওইনবা চেল্লিবা লমজেলনি। অঙম-অথৌ, শেঞ্জাও পায়বা ময়াম্না কম্পিটিসন ৱাংখৎনরক্তুনা মপু ওইদবা য়াদে হায়দুনা মুক্লরকপা অমদি নমদুনা লৌদবা য়াদে হায়দুনা মুন্নবদগী তারিবা ঈখেংনি। মতুংদসু য়াম্না থোরকখিগনি। থোরক্লিবা মরমনা মীয়াম্না খোঞ্জেল থোকপা ঙমদবা অমসুং পাঙ্গল শোনবদগীনি। সী এস ওশিং অমসুং ইন্টলেকচ্যুএলশিংসু পাঙ্গল থোকপা য়ৌদ্রি। মীখল হায়বসি লৈঙাক্কী অশোয়বা কয়া পুথোক্কদবা মতমনি। অদুবু কল্লেক্টিভ ইন্টরেষ্ট ঙাক্লগা লৈরিবা সী এস ওশিংনা য়ারোই হায়দ্রি। মসিমক্তি কল্লেক্টিভ ওইবা ফেলরনি। অদুবু ওর্গান ময়াম অসিনা তুখ্রগা লৈহৌরিবা ঐখোয়দি তুমীন্না য়েংদুনা লৈবা য়ারোই। মীখল অসিদি মণিপুরবু লৈরগা ষ্টোক্তা থমদুনা মচেৎ-মচেৎ য়োল্লগা শেল অমুক খুন্নরক্কদৌরিবনি। নাকল অমরোমদা লৈবাক অসি কলহৌদবা য়াদে। মীখল অসিনা মণিপুরগী লাইবক লেপকদৌরিবনি। শেল থাদরবসু থম্মোয় শেংনা থোরকপা মীগী মশীং য়ামদে। অরানবনা মশীং য়ামগনি। অচুম্বনা মশীং য়াল্লোই হায়বা ৱাফমসি পুৱারীদা য়াওরিবনি। মসিমক্না থোক্লিবনি অদুবু মতুংদা অমুক হন্না থোক্তবা ওইসনু। জে দি-য়ুগী ওইনা ৬তগীনা ৯ ফাওবা কাগনি হায়দুনা পান্নরি। অদুগা পার্টি অমত্তনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংলোই হায়রদুনা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অসি ফ্রী এন্দ ফ্যেরদি ওইখিদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## এন আর এফ এমনা ক্বা মনা পুশিল্লকপা...

*লামায় ১গী মখা...* এন আর এফ এমনা লৌরি।

লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা ক্বা মনা পুশিল্লকপা অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মসিনা তাকপদি ইরৈচামখৈ ক্বা অমদি হিদাক মনাগী ঈপাক্তা তাওদুনা লৈ হায়বনি। তুংগী য়ুম্বীদা শুম তাও চারে হায়বসি লান্দ্রবা ৱানি। মসিনা মরম ওইদুনা এন আর এফ এমনা তুমীন্না লৈথোকপা ঙমদে হায়রি। পোৎলমশিং অসি পুশিল্লক্লিবা মীওই থিগৎতুনা মমিং খঙদোকপা লোইরে। ঐখোয়গী ইরৈচা খরা লম্ অসিদা মাঙজিল থানা থবক তৌবা য়াওরি। খরদি লৈবাক মীয়াম্না ইখঙ খঙনা তৌরি হায়রদুনা মসি লাইবক থীবা হায়বদুনি। পুন্নমক অসিগী য়েংদুনা লূপ অসিনা ক্বা অমদি হিদাক মনা জর্দাগী পোৎলমশিংগী এজেন্টশিংনা খুদোংথিবা মায়োক্লদ্রিঙৈ নুমীৎ মঙানিগী মনুংদা এন আর এফ এমদা চঙজরক্কদবনি। করিগুম্বা লমহেন তুহেন তৌবা তারবদি খুন্নাই অসিগী মায়োক্তা লৈবগী চপ চাবা চৈরাক ফংগনি লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা এজেন্টশিংনা খুদক্তগী তৌরিবা থবক অদু লেপকদবনি হায়রি।

## জেনরেল এসেমব্লী পাঙথোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* য়ু এন এল এফকী লান্মী শঙলুপ (এম পি এ)গী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফদা কর্নেল এন জি পামহৈবা অমদি ভাইস চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফতা মেজর টি ঐচ নিংতম্ববু এম পি এগী জেনরেল হেদক্বার্টরসকী লান্মীগী থৌপুবশিংনা ওইনা ফমথোল হাপখি হায়রি।

নৌনা খল্লবা চ্যেরমেন অমদি সেন্ট্রেল কম্মিটি মেম্বরশিংনা পার্টিগী কন্সটিট্যুসনগী ১৭শুবা সিংচৎকী মখাদা জেনরেল এসেমব্লীনা লাক্কদৌরিবা চহী ৪ অসিগী য়াৎলম্বা জেনরেল প্রোগ্রাম থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি। য়ু এন এল এফকী অপূনবা লিংজেল য়োকখৎকনি অমদি ঙাক্কনি। লোয়ননা য়ু এন এল এফকী অরোন অথুপ চেৎনা ঙাক্কনি অমদি কৈদৌনুংদা য়ু এন এল এফপু য়োন্থোক্লোই হায়না ৱাশকখি হায়রি। পাঙথোকখিবা জেনরেল এসেমব্লী অসিনা নৌহৌননা য়ু এন এল এফপু মীয়াম, লৈবাক্কী ওইরিবা ফীভম, মালেমগী ওইরক্লিবা অহোংবা ফীভম, পার্টি মনুংগী থবক তৌবগী মওংশিংগী অশোয়-অঙাম, অফবা নাকল অসিনচিংবা খন্নদুনা অপূনবা লিংজেল পুরক্তুনা পার্টি অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমদি পার্টি অসি অনৌবা অহোংবা চাউখৎপা শক্তম অমা পুরক্লবগী ৱাখল মীৎয়েংদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নখি হায়রি।

## এন আই টি মণিপুরদা ওফিসল খরনা রুলগী ৱাংমদা থবক তৌদুনা...

*লামায় ১গী মখা...* রিক্রুটমেন্ট রুলস (২০১৯)গী পেজ ৫৭তা জুনিয়র এঞ্জিনিয়রগী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টকী ওইনদি মশাগী চহী ২০ শুবা ফর্ষ্ট ক্লাস বি ঈ-বি টেক ইন সিভিল/ইলেক্ট্রিকেল নৎত্রগনা ফর্ষ্ট ক্লাস দিপ্লোমা ইন সিভিল/ইলেক্ট্রিকেল এঞ্জিনিয়রিং ৱিথ এক্সিলেন্ট একাদেমীক রেকোর্দ হায়না ময়েক শেংনা পল্লি হায়রি। মসিগী মথক্তা মখোয় অনীবু করম্বা চহীগী করি থাগী করি নুমীৎতা স্পেসল দি পি সীনচিংবা পাঙথোক্তুনা এন আই টি মণিপুরগী করম্বা আর আরগী মখাদা ওপরেটরদগী জুনিয়র এঞ্জিনিয়র ওইনা সর্ভিস এক্সটেন্সন পীরল্লিবনো হায়বগী ৱাহং থোরক্লি। অদুম ওইনমক ইন্সটিট্যুট অসিগী কন্ট্রেক্চ্যুএল ইমপ্লোয়ীশিংগী মনুংদগী মখোয় অনীদা প্রমোসন পীরম্বগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা চত্থখিবা ইনভেষ্টিগেসনদা ফংলকপা অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়বদনা ফেব্রুৱারী ৫, ২০২১দা এন আই টি, মণিপুরগী ষ্টাফ খরনা মতম অদুগী এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রার ওইবা মীওই অমবু চ্যেরমেন, বি ও জি কম দিরেক্টর এন আই টি মণিপুরদা মহাক্কী মথক্তা রুলগী মতুংইন্না দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎপীনবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা ৱাকৎ চেরোল অদু ঙানি ঈশিংনি খঙদনা লৈরম্বসু থেংনরকখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা থেংনবা নবেম্বর ১, ২০১৬তা মতম অদুগী মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভেলপমেন্টকী ওফিসল লেটর নম্বর এফ. নম্বর ২৪-৩ (২০১৬)-টি এস ৩দা হায়বগী মতুংইন্না এন আই টিগী ওফিসল অদুদা এক্সন লৌননবা হায়রকখিবা লৈখ্রে হায়না পল্লন্লিবা অসিসু করি মরমগীনো হায়বদুসু নৈনবা য়াবা ৱাফম ওইরমখি। লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসিগী জুলাই ২৪, ২০১৮গী ওর্দর নম্বর এন আই টি এম. ১/(এন্দ-ইষ্টাব্লিসমেন্ট)/ওর্দর/২০১৭/৩১৪ অদুসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইনভেষ্টিগেসন চত্থরিবনা করি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসু ঙমদ্রি হায়রি।

পাউচে অসিনা চত্থখিবা ইনভেষ্টিগেসনদা ফংলকপা মখা তাবা রিপোর্টশিংগী মনুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সনেল, পেন্সন্স এন্দ গ্রিভান্সেস, দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিংগী ওফিস মেমোরেন্দম নম্বর ১১০১২/১৭/২০১৩-ইষ্টাব্লিসমেন্ট (এ)(জন্যুৱারী ২, ২০১৪)গী সবজেক্টতা 'কোন্সোলিদিটেদ ইন্সত্রক্সন ওন সস্পেন্সন'গী পেরা নম্বর ২ লোয়ননা পেরা নম্বর ৩(এ)(বি)(সী)দা পল্লিবা ৱাফমশিংগা লোয়ননা এফ আর-৫৩, ৫৪ অমসুং ৫৫ অসি এন আই টি মণিপুরদা এপ্লিকেবল ওইরিব্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং ওইদুনা লৈরম্বা থেংনখি। ৱাহং অসিগী পাউখুম ফংননবা পাউচে অসিনা ট্রেদ য়ুনিয়নগী লিদর খরগা উনদুনা শানখিবা ৱারীদদি হৌজিক এন আই টি মণিপুরদা চত্থরল্লিবা থৌওংশিং অসিদি মালেমগী মফম অমত্তদা চত্থনরল্লোইদবা থৌওংশিংনি হায়না ফোঙদোক্লরকখি। অদুম ওইনমক রুলগী ৱাংমদা চত্থরল্লিবা থৌওংশিং অসি খঙলরোই অমসুং উররোই হায়দুনা লোন্না থুপ্না তৌরম্বা ওইগনি হায়রকখি।

পুন্নমকসিগী মথক্তা ইন্সটিট্যুট অসিদা দেপ্যুটেসনদা লাকখিবা এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র অমসু মহাক্কী দেপ্যুটেসনগী মতম লোইরদুনা হনখিগদবদা করম্বা মফমদা পাঙথোকখিবনো খঙদবা দি পি সী অমদা মথন্তা এপ্লাই তৌরক্লগা পোষ্ট অদু মথন্তনা অদুম পায়শিন্দুনা লৈরে হায়বা ৱাফমসু থোরকখি। অদুবু এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র অদুগী দি পি সী তৌখিবগী মরী লৈনবা এদভর্টিজমেন্ট, দি পি সী পাঙথোকখিবগী নুমীৎ, মসিগী প্রোসিদিং অমদি মরী লৈনবা পাউচেশিংদা ফোঙদোকখিবা এপোইন্টমেন্টকা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অদুম্মক অমম্বদা ওইদুনা লৈরম্বসু থেংনরকখি।

মরম পুন্নমকশিং অসিনা এন আই টি মণিপুরদা রুলগী ৱাংমদা চত্থরল্লিবা থবকশিং অসি লোইনমক থিদোকপগা লোয়ননা চেন্নবা মীওইশিং পীফম থোকপা চৈরাক পীহৌদুনা অচুম্বা অশেংবা অমসুং রুলনা য়াবা থবকশিং খক্তমক তৌহন্দ্রবদি ইন্সটিট্যুট অসি ওফিসল খরখক্না শলাক শাহন্দুনা পুম্লোই লোইহনবগী ফীভমদা ওইহল্লক্লগনি হায়নরকপসু থেংনরকখি।

ꯀꯤꯡꯗꯝ
**KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE**
Fulfill your Dreams
Regd. No. 422 of 2020 ( Govt. of Manipur)
CIN: Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India)
An ISO Certified



ADMISSION OPENS
**AVIATION COURSE**
(CABIN CREW, GROUND STAFF)
100% Job Placement Assistance, Jobs across the Globe

★SPOKEN ENGLISH ★SPOKEN HINDI
(Communication Skills, Public Speaking, Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Daily Talks, Interview Techniques etc.)

◆COMPUTER (NIELIT) (1,2,3,6 mths & 1 yr)
(Tally GST, Programming, CCC, DCA)

SPECIAL SPOKEN ENGLISH CLASS only for AIR HOSTESS ASPIRANTS
Time: 10:30-11:50 am

Get trained by highly qualified & long experienced Experts under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
☛ 21 yrs Teaching Experience ☛ 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur) ☛ Multiple Schools & Colleges ☛ 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
☛ 3 mths at IT Call Centre as a Trainer

Address: Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
Contact No. : 9612224161, 7005622203, 8837407726, 6009124946

HL-B/7441/22 jan to 21 March (alt.)